# হিরামোতি থোংগ্রাম- শুমাং লিলাগী ফম্বাক্তা অয়েংবা ভাবকশিংগী পুক্নিং ৱাখলবু মীৎয়েং চোইহন্দনা থম্বা ঙম্লিবা শক্লাইরবা লিলারোই



চৎলিবা চহি ২০১৮ অসিগী ফ্রেবুৱারিগী ১৫ দা ৪৬ লক শুবা ষ্টেট কলা একাদেমীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা শুমাং লিলা ফেষ্টিভেলদা থোইবিনাওগী কেরেক্টরদা শত্তুম লাংদুনা চিক্লা–চাইনা ঙমদনা তিনখিবা ভাবকশিংগী মীৎলু ইপোম হৌহনখিবা ঙমবদা নত্তনা ফেষ্টিভেল অদুগী বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্দ ফংখ্রবা, হিরামোতি থোংগ্রাম অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ বসন্ত অপোকপী থোংগ্রাম ওংবী রিতা দেবী লৈফমনা শগোলবন্দ কাংঙবম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মহৈগী থাকনা ১২ পাস, ফোল্ক এন্দ ক্লাসিকেল দান্সতসু দিপ্লোমা লোইরে।

হৌজিক ফাওবদা শুমাং লিলা ৫০গী মথক্তা শরুক য়াখ্রবা কলাকার অসিগী অহানবা লিলা পার্টি দি পিস মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন হায়রিবা শংস্থান অসিনা ওইরি।

য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী জগোয় ঈশৈ, লিলা পামজনা হৌরকখিবা হিরামোতি না শুমাং লিলা ফম্বাক ফংবদগীদি নিংহন্নবা লৈত্তনা চংশিনলকখিবনা হৌখিবা চহি খরা অসিদা থংন–থংননা নম্বীনবা লৈত্তনা বেষ্ট এক্ট্রেস কী ফিদা কন্দুনা থম্বা ঙম্লি।

অসিগুল্লবা থোইদোক হেন্দাক্লা মায় পাক্লবা কলাকার অসিগা উন্নজদুনা ৱারি ৱাতায় ঙাইহাক শান্নজরুবগী পাউদম থমজরি।

ৱাহংঃ– হিরামোতিদিগী মমল য়াম্লবা মতম খরা পীবিবগীদমক অহানবমক্তদা থাগৎপা ফোংদোকচরি। অহানবা ৱাহং সিদি মতৌ করম্না কনানা শুমাং লিলাদা পুশিনলকখিবগে ? করম্বা দোলদনো ? হৌজিক ফাওবদা করম করম্বা লিলা পার্টিশিংদা য়াওখ্রবগে ?

হিরামোতি ঃ–তারোবিন্দ্রানা শীনবীদুনা শুমাং লিলাদা চংলকখিবনি। মদুগী মতুংদা তোমথিন আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন, মতুংদা ইমা, ইরমদম আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন মণিপুরগী নাইতোম শাৎপী হায়রিবা লিলা অসিদা ইহান হান্না সপোর্টিং রোল অমদা শরুক য়ারকখি। মদুগী মতুংদা কুন্তি সেরিয়েল...

ৱাহংঃ– হিরামোতি গী কেরেক্টর অসি অয়াম্বনা ইং তপ্পী, হায়বা ইনবীনা অয়াম্বা ওই হায়জরিবা, মতাং অসিদা হিরামোতিনা খঞ্জবা, পামজনা থমজবা এক্ট তৌনিংবা কেরেক্টর রোলগাদি লৈবিব্রা ? লৈরগদি করম্বা কেরেক্টরনো হায়বীয়ু ...

হিরামোতি ঃ– মদুগুম্বা থোইদোকপা লৈজদে, ঐগীদি দাইরেক্টরনা, রাইটরনা, ঐগীনি হায়দুনা তম্বীরম্লবা কেরেক্টর অদুদা লুপশিন্দুনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনজবা অসিখক্তনি। মসি নত্তবা থোইদোকপা, মসিমদি হেন্না পাম্মী–পামদে হায়বা লৈজদে।

ৱাহংঃ– হেক হৌরকপদগী হৌনা মীয়াম্না য়াম্নমক পাম্নবা কালাকার অমা ওইনা খোং থাংজিনলকখিবদা নত্তনা ঙসিদি থোইদোক হেন্দোক্লা মায় পাক্লবা কালাকার অমসু ওইবিরি। হৌজিক ফাওবদা হিরামোটি

মদুগী মতুংদা ইবোয়াইমা খুমন, নবা ৱারেপ্প নচিংবদগী লৌশিং কয়াসু তানশিনবা ফংজখি। অদুগা ঐবু অসিগুম্বা মমল য়াম্লবা প্লেটফোর্ম অসিদা পুশিনবীরকখিবতা নত্তনা মতম

## ঐচ রাজেস

গী শুমাং লিলাগী জর্নি অসিদা লমজিং লমতাকপীদুনা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা ওঝা–গুরু খরাগী মিং পন্বীয়ু ?

হিরামোতি ঃ– মমাংদসু পঞ্জখ্রে। তারোবিন্দ্রো গী লমজিং মখাদা ঐহাক পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনদা ইহান হান্না য়াওজরকপদা লৈখিদ্রবা ওঝা বিরজিৎ ঙঙোম্বগী লমজিং–লমতাক মখাদা হৌজরকখি। খুদিংমক্তা ঐগী অৱাৎপা লৌশিং কয়া পীবিরিবনা তারোবিন্দ্রোনি হায়জবা তারে। ইশাগী ওইনদি, ইথক থোংবা সেনিয়র আর্টিষ্ট পুন্নমক্লা তাকপীবা, পীবিরকপা লৌশিং গ্যান ঙসিমকসু অদুমক লেপ্তনা খোমজিন তাশিঞ্জরি, মখা তানসু তমজরি হায়জবা তারে।

ৱাহংঃ– লিলারোই অমা ওইনা য়াম্না পেঞ্জখিবা, নুংঙাইজখিবা মীৎকুপশিং অদু হায়বীয়ু ?





হিরামোতি ঃ– অমুক্তং মতাং চাবদা পঞ্জগে, লিজগে খন্দুনা থম্লকপদু মতাং চারিঙৈসিদা হায়জহৌরগে – ঐগী লিলাশিংগী কেরেক্টরশিংদা য়াম্না তমথিরবা অকনবা অনাবশিং শাদুনা ৱানা ৱানা লেনবা কেরেক্টরশিং উরুরগা ঐগীদমক ৱাবিবা, মদুনা লিলা লোইরবা মতুংদা অমদি করিগুম্বা লম্বী লমখাংদা উন্নবদা য়াম্না নুংশি–নুংশিনা শোনবীরকপা কয়া অসিনা হেন্না হোৎননিংবগী থৌনা অমসু ওইখি।

ৱাহংঃ– হিরামোত্তিদি ষ্টেজ হেক য়ৌখিবদা নুপানি হায়বা খঙদবা কনামত্তনা থাজরোই, অখঙবা মীওইশিংদফাওবা মিত্রং তৌবগুম থোকই হায়জরিবা, মতাংশিদা পুশিঞ্জরক্লিবা ৱাহংশিনা কনাগুম্বনা লম্বীদা ইন্নরকপদি ...?

হিরামোতি ঃ– খঙদদুনা ইন্নরকপদুদি, পন্দুনবু কান্নদ্রে। লিলা য়েংবা লাকপী ইমা মানবী কনাগুম্বী খরনা 'মমৌ ওইজনিংঙি'– য়ুমদা হায়বা লাক্কে হায়রকখিবা কয়াসু লৈখ্রপোৎনি।

ৱাহংঃ–শুমাং লিলা নত্তবা অতৈ মতমদদি করি করি শিনফম পায়বীবা লৈবগে ?

হিরামোতি ঃ– হৌজিক হৌজিক লুহোংবগী পোৎলোই অমদি মেক–অপকী ক্লাস তৌদুনা মীওই ২০গী মথক্তা লমজিং–লমতাক পীদুনা মখোয়না পামজবা লমদা গাইদ তৌদুনা চৎনখিবা য়াওখ্রে অমদি এসিষ্টেন্ট ওইনা হৌজিক লৈবসু য়াওরি। লাঙ্গোলদা "হিরামোতি ব্যুটি সেলুন" হায়বা অমা হাংদুনা এসিষ্টেন্টশিংনা ঙসি–ঙসিমক য়াম্না মায় পাক্লা মথৌ তৌরি।

ৱাহংঃ– অরোইবা ওইনা মীয়ামদা, মরুওইনা নুপীশাবীশিংদা পীনিংবা মেসেজ অমত্তং পীবিরম্মু।

হিরামোতি ঃ– ইশা–ইশানা পামজনা চংশিন্নরিবা শিনফম অদুবু লাইনিং ওইদুনা মায় পাক্লবা হোৎনবীরিবা খুদিংমকপু থাগৎচরি, অদুগা মরম ইরৈ লৈত্তনা তপ তাবা মখৈ কেশিন্দুনা য়েংবদা নুংঙাইতবা ফিজেৎ লৈতেংদুনা মরম লৈতনা লম্বী–লমখাংদা পংচত্তা চৎপা, নিশাদা তাওদুনা মতম লেপ্পোকপনচিংবা কয়া অসিনা সমাজ অসিদা য়াম্না ফত্তবা মমি অমা তারকপা য়াই, অসিগুম্বা অসি য়াম্না চেকশিনহন্নিংঙি।

লোইশিল্লকপদা য়াম্না অখাং কনবা, নীংখিবদা হন্বা লৈতবা আর্টিষ্ট অসিগী মায় পাক্লা চংশিনল্লিবা কলাগী খোঙচৎ অসি হেন্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়বা ৱাফম থমজবগা লোয়ননা মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না সনালৈবাক্কী মাইকৈদগী ফোঙদোক্লমখি ...!

## ষ্টৈটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

### ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮
### অল–অমীননা আর আর সি সিবু ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টিম ২১না শরুক য়াদুনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪শুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা অল–অমীন লিলোংনা আর আর সি সি চুরাচান্দপুরবু ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা মেটচ ওইনা আর আর সি সি চুরাচান্দপুরগা অল–অমীন লিলোংগা শান্নখিবা ঙসিগী মেটচ অসিদা আর আর সি সিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়নন অপিবা ওভর ৩৫গী মনুংদা ওভর ১৮দা ওল আউৎ ওইরগা রন ৭০ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা অল–অমীননা ওভর ৮.২দা ৱিকেট ১ তুরগা রন ৭৫ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৯দা মায় পাকখি।



অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা আর আর সি সি চুরাচান্দপুরগী বেটসমেন হাওজুলিননা বোল ২৪দা রন ৪১, সত্তাম সেনা বোল ৪দা রন ৬ অমদি থাঙ্খাপাওনা বোল ৭তা রন ২ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা অল–অমীনগী সমীরনা ৱিকেট ৪, হবিবুলাহনা ৱিকেট ৩ অমদি অবদুলাহনা ৱিকেট ২ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা অল–অমীনগী বেটসমেন সয়েদ বাবর অজমনা বোল ২৭দা রন ৪৫, সহাজাননা বোল ১৬তা রন ১২ অমদি অল–বাসিদনা বোল ৬তা রন ৯ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা আর আর সি সি চুরাচান্দপুরগী জাপ্রিৎনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিদা অল–অমীনগী সমীরনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী মেটচ অমদা পি সি সি ময়াই কোইবীগা ৱাই দব্লিউ সি ৱাঙ্গোইগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

### ৪শুবা এম সি এ ইলাইট টুর্নামেন্ট ২০১৮
### পি টি আর সিনা ফোর্সপু রন ২১দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ১০না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়ম, লুৱাংসংবমদা চথরিবা ৪শুবা এম সি এ দব্লিউ প্রহলাদা এন্দ দব্লিউ রমানন্দা ইলাইট টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি টি আর সি পাৎসোইনা ফোর্সপু রন ২১দা থোইখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেটচ ওইনা পি টি আর সি পাৎসোইগা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা পি টি আর সিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্নবা খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ৪০গী মনুংদা ওভর ৩৮.২দা ওল আউৎ ওইরগা রন ১৮১ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা ওভর ৪০গী মনুংদা ওভর ৩৭.২দা ওল আউৎ ওইরগা রন ১৬০ খক্তমক স্কোর তৌবদগী মেটচ অসি পি টি আর সি পাৎসোইনা রন ২১দা থোইখি।



অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি টি আর সি পাৎসোইগী বেটসমেন নিকোলনা বোল ৬৬তা রন ৪১, জোহনিনা বোল ২২দা রন ৩১, অজিৎনা বোল ২৭তা রন ৩১ অমদি জোন্সননা বোল ২২দা রন ২২ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগী খূর্সিদনা ৱিকেট ৩, মুনসিরনা ৱিকেট ৩, পর্ভিজনা ৱিকেট ২ অমদি নীরজনা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগী সবানুদিননা বোল ৪০দা রন ৪৯, ইস্লাউদিন্না বোল ১৬তা রন ২১, সদামনা বোল ৪৩দা রন ২১ অমদি অমর্দিপনা বোল ৪৫দা রন ১৪ চেনখি।

বোল্লিং তৌখিবা পি টি আর সি ক্ষেত্রিগাওগী বিকাসনা ৱিকেট ৪, জোটিননা ৱিকেট ৩ অমদি রেক্সনা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিদা পি টি আর সি পাৎসোইগী ভিকাসনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী লীগ মেটচ অমদা থাউ থাংমৈবন্দগা সঙাই সি সি সি শিংজমৈগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

### ২২শুবা লসাল স্পোর্টস মীত ২০১৮ ফুটবোল টুর্নামেন্ট
### থোইবা এফ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৪ঃ
লৈমাপোকপম খুনফম অপুনবা শান্নরোই লুপ (লসাল)না শিন্দুনা টিম ২৪না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা লসালগী শান্নবুংদা চথরিবা ২২শুবা লাসাল স্পোর্টস মীত ২০১৮ লেট এন চন্দ্রেশ্বর মেমোরিয়েল সেভেন এ–সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা থোইবা এফ সি মায় পাকখ্রে, অনিশুবা মেটচতা এফ সি বমদিয়ারগা এম আর সি লৈমাপোকপমগা গোল ০–০দা দ্রো চৎখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা ঙসিগী অহানবা মেটচতা এস দি সি সামুরৌগা থোইবা এফ সি য়ুম্নাম হুইদ্রোমগা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা থোইবা এফ সিনা গোল ৩–১দা থোইখ্রে।



মেটচ অসিদা থোইবা এফ সিগী গোল দব্লিউ অঙৌনা মেটচকী মিনট ১৭ চৎপদা গোল ১, অবোইনা মেটচকী মিনট ১৯ চৎপদা গোল ১ অমদি প্রেমজিৎনা মেটচকী মিনট ২৬ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা এস দি সি সামুরৌগী অমত্তা ঙায়রবা গোল ঐচ পারিনা মেটচকী মিনট ৩৭ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা এস দি সি সামুরৌগী ঐচ পারিবু মেটচকী মিনট ১২ চৎপদা রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা এফ সি বমদিয়ারগা এম আর সি লৈমাপোকপমগা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা মেটচগী অপিবা মতমদা নাকল অনিমক্লা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিদা এফ সি বমদিয়ারগী এস থোমাসপু মেটচকী অহানবা হাল্ফকী এদিস্নেল টাইমদা অমদি এস দিনেসপু মেটচকী মিনট ৩৮ চৎপদা রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইবুধৌ এফ সিগা মৈরা এফ সিগা অমদি অনিশুবা মেটচতা লনচেনবী এফ সিগা মাম্মা এফ সিগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

### ফিটনেস সেন্টর শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ
নম্বোল এল সনোই কোলেজ কেম্পসতা নৌনা শাবা ফিটনেস সেন্টর লোয়ননা স্পোর্টস সাইন্স বেক অপ শঙ্গাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

স্পোর্টস ইনফ্রা ষ্ট্রক্টর এন্দ ইক্কুইপমেন্ট গ্রান্ট (সিএটি আইআইআই), য়ুজি সি–এনইআরও গী মখাদা সেন্টর সি শাবনি। থৌরমদুদা প্রোফেসর এদিয়া প্রসাদ পান্দে ভাইস চান্সেল্লর এম য়ু, ডাঃ এল পি বস্কোতা প্রিসিপাল নম্বোল এল সনোই কোলেজ নম্বোল, প্রোফেসর রতনকুমার সিংহ দাইরেক্টর সিদিসি এম য়ু, ডাঃ ও লুখোই সিংহ এসোসিয়েট প্রোফেসর দিপার্টমেন্ট ওফ জুলোজি এন্দ কনভেস কনষ্ট্রক্সন কম্মিটি নম্বোল, এল সনোই কোলেজনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইনা শরুক য়াখি। প্রোফেসর টি ঐচ রতনকুমারনা হায় একাদেমিক কেরিয়রগী শরুক অমা ওইনা ফিটনেস সেন্টর অমা মফমসিদা থম্বা অসি মহৈরোইশিংগী স্পোর্টস কেরিয়র অমা শেমগৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

কোলেজসিগী মহৈরোইশিংদা নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা নহাশিংনসু প্রিসিপালগা পাউ ফাওনরগা কান্নবা লৌবসু য়ারগনি হায়খি। প্রোফেসর অদিয়া প্রসাদ পান্দেনা হায় পুন্সিদা মায় পাক্কে হায়রগদি কন্না হোৎনবা, লেপ্পা নাইদনা হিরমদুদা তম্বা হোৎনবা, মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবা চংই হায়খি। হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংনা অখাং কনবগা লোয়ননা লেপ্তুনা হোৎনসি। চুম্না শান্নরিবনি লাইরিক তম্লিবনি হায়বখক্তনা য়ারোই তৌরিবা শিনফম, থবক নত্রগা তম্লিবা মহৈদুদা বেষ্ট ওফ দি বেষ্ট ওইনবা হোৎনগদবনি। মদুতনা পুন্সিদা মক থোক্লা মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

কোলেজসিগী তিচিং এন্দ নন–তিচিং ফেকলটি ষ্টাফশিং, মহৈরোইশিং অমদি নম্বোল মুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়রপর্সন, অতৈ কাউন্সিল্লরশিং অমদি লৈকায়গী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

COME & PARTICIPATE
In the Prize Money
OPEN NAHABAM MARATHON 2018
on 6th March, 2018 (Tuesday)
Organised by Dharmalaya Social Welfare Centre
under the aegis of Athletic Association, Manipur
Prizes: 1st - Rs. 15,000/-
2nd - Rs. 10,000/-
3rd - Rs. 8,000/-
*and many other consolation prizes*
Entry forms available from 8.00 a.m to 5.00p.m. everyday
upto 5-3-18 at Nahabam Sports Pavilion,
Brahmapur Nahabam, Imphal (Basketball Ground)
Eligibility : 16 years & above
slk/bill/E/25/2 W. Jibon Singh (Secretary)

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*